*"প্রেম্না শিংবা জগৎনিদো, পুবনিদো প্রেম্না, পুনবনিদো প্রেম্না, তেংবাগ হিংবনিদো প্রেম্না।"*
*- অশাংবম মীনকেতন*
*('বিদায় আশির্বাদ' শৈরেংদগী)*

## ঙসিগী ৱাহং হয়েংগী পাউখুম

**—এম নিলকুমারি দেৱী**

ৱা অমত্তা হায়জগে-হায়ৱীয়ু
হল্লো কনা ওইরবনো তাজে তাজে হায়ৱীয়ু।
ৱাহংগী পাউখুমনি
পাউখুমগী ৱাহংনি।

কনা কনাগী মপাউ য়াওগনি
অতোপ্পগীদি থোইদোক্তে
হল্লো হল্লো ইমাগী নিংথেম তারিবরা
পাউখুম খুল্লকউ
অয়ূক্কী চা থল্লুগা
জর্দা ক্বা মতপ অমা।

জর্দা ক্বা মতম মমল হেনখিবনা কোন্নগী কোন্না
হৈনখিবদুদি করম তৌবা তাবা জর্দা জর্দা ক্বা
চাকলেনগী এঞ্জাংদি
শরেং ওইনা চাসিরা
শরেং ঙারেন- এলিসা মমিং লৈরবা মহাও লৈরবা
খন্নবা য়াই খন্নসি নৈনসি খন্নফমনি নৈনফমনি।
ঙাইমিন্নসি ঙাইবা তাবনি।
মিৎ-নাকোং-নাতোন-খোঙ-খুৎ

পুন্নমক হাক্কৎচরক্কনি ফুরি হোৎপা মথৌ তাই
করম্বা মফমদা হান্না হোৎকনি
কৃক-কৃক ইন্নবা মফমদা
ঐনা হানগে হায়দুনা
হোর্ন খোঙজিনবা খুদিং কান্নবরা?

## ঈপাক অদুদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অহাংবা লীক্লিগী বোটল
লৈমায়দা থরো থরো ওল্লি
থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা তাদুনা লৈবগুম।

মপূক থন্না য়াওরিঙৈ
কায়খিগনি, তাখিগনি কয়াদা চেকশিনখিবা।
মমল নাইদে অপান্বা কনাগী মফমদা
অমদগী লিশীং, লিশীংদগী লিশিং মঙা
অদুদগী লিশীং তরা লিশীং লিশীং মমল নাইদে।
ঙসিদি ওন্না থোইনা খাঙলি
মমল য়াওদনা অহাংবা বোটল অদো
লোংনা লৈমায়দা তারদুনা লৈরি।

মীকুপ অমতংদা, পুন্সিবু মথক মখা ওন্থোক্তুনা
পুরি ঐবু অহাংবা মালংদা অমুক
অশংবা লৌবুক লমহাংদা অমুক
মায়কৈ খঙদনা অঙকপনি মাগী মগুণ
অঙকপনি অঙকপা।

মাগী মগুণ শীংথাবনা ৱাৎকনি
শীংথাবগীসু লোয়বা নাইরোই।
অহিং কয়া, নোংজুগী অহিং কয়া
ঐনা মাগী মতমবাক্তা হীপ্লদুনা
কোয়না চৎখি অতিয়া মকোয় শিনবা থুংনা।

থাবলনা লুপা মহিগুম চেন্থরবা
ঈথক ঈরৈগুম ইপোম নাইরবা মালংদা
কোয়না পাইখি পোন্থী-চেক্লাগুম।
অদুবু ঙসিদি মথৱায় য়াওদ্রবা
অহাংবা বোটলগুম থরো থরো ওন্দুনা
লৈরে ঐগী হকচাং পোলাংসু
মমল য়াওদ্রে, অরেন্বদা তারে।

ওইহন্নীংইদকো ঙসিসু মতম অমগী
লিশীং লিশীংদগী মমল নাইদবদো
অপান্বা কনাগী মফমদা।

## কাউঙমদেকো ইমা

**—য়েঙ্খোম তোম্বী দেৱী**

মল্লবা ঐগী খাংপোকনি
ঈশৈ কয়াগী শৈহৌফমনি
শৈরেং কয়াগী হৌরকফমনি
ৱাখল ঈচেল শান্নফমনি
ইমানা পামজবা ঈশৈনি
শক্লিবা ঐনা নুংশিনা
হরি নামনা শৈহৌবা
মহা মন্ত্রগী হৌরকফম।

কোরৌ নোংদোন্না ৱাংদেদো
পন্থৌ ইপানা মৱাংই
মালেম লৈমনা লুমদেদো
পলেম ইমানা মলুম্মী
শাগৈ নাতৈনা কদায়দা
ইচিন ইনাওনা কদোমদা
ইবুং ইপ্পা কয়াদি
মাইগৈ সলাই খঙনদ্রে।

তারো লাউনে ইমাও!
কুমওন অমা হেল্লক্লে
চেঙলৌ শক্তম উদবা
য়েংলো লাউনে নচাবু
শক্লিবা ঈশৈ নুংশিনা
থম্মোয় শোক্লা কপ্লিবা
নঙগীদমক তেংথাজবা
নীংঙমদনা খাংলিবা।

থৱায় লৈরাং নুংশিবা
পুরদুনা লাক্লগে

লাইরৈপাক্কী লৈকোন্দা
ঙাইবিরম্মু নচাবু
মপূগী শিন্থা লোইরগা
য়ৌরক্লনি ননাক্তা।

## তুক্কচৈ তুক্কচৈ

**—ভোরোত সনসম**

ইশাদগী থোকপা
থোক্তা য়াদ থোক্লিবা
নাতোন্দগী তারকপা
চীন্দগী চেন্থরকপা
মখা থোঙদৈ থোরকপা
তুক্কচৈ তুক্কচৈ
মমিং পনফাও তুক্কচৈ
উবদা তিন শিংনীংই।

লৈরি কয়া অমসু
মসিদগী হেন্না তুক্কচবা।

প্রিন্সিপল অমত্তা ঙাক্তবা
ফিদম অমত্তা লৈতবা
ওইজনামদা ঙাওদুনা
শিফম নাফম খঙদ্রবা
লুচিংবা শাবা হুরানবশিং
মমিং পনফাও হঙ্গোয়জৈ
মখোয়গী ৱাখল খল্লুবদা
তিন তোইনা শিংনীংই।

ঙরাংতা অখাবনি হায়রম্বদু
ঙসিনা অথুম্বনি মহায়বা
নশাগী ওইজনামতা খল্লিঙৈ
অচুম্বা মশক কাউরবা
অফবা করিনো খঙদ্রবা
উনা উনা মিত্তাংবা
তানা তানা নাপঙবা
মশানা মশাবু মীনমজবা
তুক্কচৈ তুক্কচৈ
মখোয়বুনা হেন্না তুক্কচৈ।

## লাউ য়েংসি লাউ

**—খাইদেম বোরসিংহ**

চেৎ-চেৎ চেৎ-চেৎ
ওন্থোক্লা য়াকখ্রেদা খোঞ্জেলদো
ঈ-গী য়ূমথক্তুদা
য়ূম মৈ চাকএ
য়ূম মৈ চাকএ
মতৌগুম

কালেন নুংশা শাগ্রবদুদা
হে চোঙা অঙাংবী উচেকও
লমগী খুনুনা কু কু কু কু
থোইনা পূক্লিং নৌহৌনৈ
কালেন হকচিকপু লাংনৈ
ওল্লাং মৈশাবু ইংনৈ

ঙসিদি কোকিল খোন্নৌবী
চেৎ চেৎ চিনগনবী
খেন্নবা লৈত্রে অমহা ওইরে
ক্বাকসু চরোইসু খৎনখিদ্রে
কুমজা অমা কুমগংলসু
লাইজ নীরদ্রে নোঙ্গৌবী
ঋতুনা মনিং তন্নক্লে
থোইনা মান্নে মান্নজৈ

পোকপগী নুংঙাইবা নোক্লিংবা
শিবগী ৱাবা কপ্লিংবা
করিসু নত্তে চান্নবী
অমমম অঙান নাইগুমনি
মালেম থুংবা খোঙচৎতা
কনানো অহানবা অরোইবা
করিনো ফবা ফত্তবা?

## ওন্থোক ওনশিন

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

লাক্লিবনি চৎনবা
পোক্লিবনি শিনবা
কপ্লিবনি নোক্লবা
ৱারিবনি নুংঙাইনবা
মল্লিবনি ঙান্নবা
নুংশিরুবনি কায়ননবা।

## য়েন্নিং খোঙচৎতা

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

অনৌবা য়েন্নিং হুল্লক্লে
উপাল-ৱাপাল কয়ানা
লৈরাং লৈশাৎ তন্নক্লে
হৈপাল-লৈপাল পুন্নমক!


য়েন্নিং খোঙচৎ তন্নক্লে
হৈনৌ মপান শারক্লে
কোকিল খোন্থাং য়ৈরক্লে
মনা পুংল-পামেলদা।

নিংথিরবা কোরৌ মঙালনা
চীংয়া-তময়াদা য়ৈররে
নামিবা নুংশিৎনা হুল্লক্লে
হরাউ মীনোক তন্নক্লে।

খোইনিং লাবা অমোম্না
নুংশি শৈশক শক্লক্লে
পামেল উশাদা তোংদুনা
হরাউ মথোই কারক্লে।

# লোক্তাক অমদি শিন্মী

## (তাইবঙগা মোন্দ্রংগা ফাওদোক ফাওজিন শান্নরিবা ৱারীমচাশিং)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | লোক্তাক অমদি শিন্মী |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ | নবকুমার নোংমৈকাপ্পম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর। |

**ৱারীমচা** ইবদা মায় পাকপা পাক্তবসি থৌদোক (fact) অমবু খূৎশেম (fiction) কয়াম হাপচিনবা ঙম্বগে হায়বা অসিনা লেপনৈ। খূৎশেমগী চাং মুন্না খঙবা চঙঙি। খূৎশেম্নবু হেক হেঞ্জিনখ্রবা ৱারীমচা অদু তাইবঙদগী হায়বদি রিয়েলিটিদগী লাপথোকখ্রনি। অদুনা ৱারীমচা ওনবা ঙমদদুনা অদুম মাঙখ্রগনি। অদুগা অমুকসু খূৎশেমগী চাং ৱাৎনা হাপ্লবা, ফেক্ট ওইনা অদুম লৈরবা মদুসু ৱারীমচা কৌনদে। অদুনা ৱারীমচা ইবা তরাইবা নত্তে। অদুনবু হায়নরিবনি, "In history everything is false except the names and dates, while in fiction (historical) everything is true except the names and dates." মসিনা তাক্লি, ফিক্সনদা ফেক্ট য়াওদবা শুকয়া য়াদে। ৱারীমচাদি fictionalised facts নি। ৱারীমচাদি পাউ তম্বা নত্তে, ৱারী লীবনি। ৱারী লীবা হৈবা হায়বসিনা ৱারীমচাগী অথোইবা গুণনি। ৱারীমচাগী থিম অকক্নবা লৈতে, লুরিবদি কমদৌনা লীগদগে হায়বা অদুনি। নোংমা ও হেনরিগা মাগী মরুপ আইর্ভিন কোবকা চা থকমিন্নবদা মরুপ্তুনা হংখি, "হেনরী নঙনা হাপ্তা অমদা ৱারীমচা অমমম পুথোক্লক্লিবসিবু কদায়দগী থিম লৌবগে?" মদুদা হেনরীনা খুমখি, "O! Story is in everything but the problem is how to narrate it." ৱাফমসি চুমখ্রবা অমনি।

ঐনা ৱাফমসিমা পঞ্জরম্বগী মরমদি নবকুমার নোংমৈকাপ্পমগী লাইরিকসিমা পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলনি। নবকুমার মশাগী মশক অমা মতম পূম্বদা পুদুনা চৎলিবা ৱারীমচা ইবা অমনি। তশেংনা হায়রবদা মায় পাক্লবা ফিক্সন রাইটর অমনি। মাগী মখূৎনা শোকপদা কৈনোমা হেক্তা ৱারীমচা ওনহনবা ঙল্লবা অইবনি। মণিপুরদা ৱারীমচা ইবা মশীং ফনা য়াম্না লৈরে, অদুবু নবকুমারগী ৱাহৈগী মিত্রং, থারিবা খোন্থা অতাংবনি। মতম পূম্বদা হ্যুমরস টোন য়াওবা অইবনি। মাগী ৱারীমচা তশেংনা পাবদা চোকথহন্দে। হন্দক্কী অসিদনা চাংয়েং কয়ানা থল্লবা লাইরিক অমনি। শম্না হায়রবদা নবকুমার ৱারীমচাগী লেবরেটরি অমনি হায়বদা লাল্লরোই।

হন্দক্কী অসিদদি তাইবঙগা মোন্দ্রংগা ইফাও ফাওনরি। মহাক্না মিথ, বিজ্ঞান, ফেন্টাসি লোইনা খূৎনা পায়দুনা শান্নরি। ইংরাজি লোন্দা ঐখোয়না থেংনখ্রবা মখল 'সাইন্স ফিক্সন' ঙসি মানা ইমারোলদা পাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। ৱাখলনা শাগৎপা ৱারী কয়াসু মরীক চুন্না পাউদম্বা উরি। হোয়, মরক্তা গ্রীক্কী অফাওবা ৱারীবু অমুক হন্না লীথোকপা অমসু য়াওরি, অদুগা অখন্ননা লোক্তাক পাৎকীদমক ইবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। হেন্না ফজরিবনা ভারত চাইনা লানগী থোকখিবা থৌদোক অমবু অইবসিনা রোমেন্টিক মচু শঙজিন্দুনা ইথোক্লক্লি। পুন্নমক মায় পাক্লি হায়নীংঙি। হন্দক্কী লাইরিক অসিদা অনৌবা নবকুমার অমা ঐখোয়না ফংলে। মসিদি অফবা খুদমনি, অনৌবা লম্বী অমা ফংবগুম্বনি।

অহানবা ওইনা 'নোংমৈ অমসুং গুলাপ' হায়বসিদা ভারতকী থৌনা ফবা লান্মী অমগা অরুনাচলগী লৈশাবী অমগগী নুংশিরবা ৱারী অমা লীরি। য়াম্না রিয়েলিটি তাই। থোকখিবা থৌদোক্তু হেন্না মীনুংশিগী মনিল ফংনা ইরি। পারুবদা হেক্তা পিরোইনগনি। ফেক্টনা হেন্দে, ফিক্সন্না ৱাত্তে। ওন্থোক্লা হৈনা, চাং পুনা শেন্নকপা খূৎশেম্নি হায়নীংঙি। ৱারীমচা ১৬ য়াওরিবসিগী মনুংদা অয়াম্বদি ৱাখলগী লমদম অমদা চৎপনি। চাংয়েংগী থবক্লি। অসুম ওইরবদিকো, অসুম হেক তৌরবদিকো হায়বা ৱাখলদা উংখিদুনা উপাই মখল মখল থিবগী পোকাঙবা হৌবনি। অদুসু অদুম পাহন্নীংবা পোক্লি। হেক্তা মালহনবা ঙমলি।

মাগী 'ঙল্লবদিকো' হায়বসিদা অরানবনা থল্লবা লমদম অসি চুমথোকপা ঙমদ্রে হায়বসি মাগী থাজবনি। অদুবু চুমথোকপা পাল্লি। পেন্দবনা থল্লে মথম্মোয়। অদুনা মোন্দ্রং শান্নরকই। অসুম হেক তৌরবদি পেনখ্রনিদা হায়দুনা ভূট থেংনহল্লি নিংথেম কৌবা নুপা অমা। অদুগা করপসন তৌরিবা মন্ত্রীদগীনা কেরানী ফাওবা লাক্নরকপগী ৱারীনি। হেক্তা পেল্লি। এক্সন ঙাক্তনি। এক্সন সিনেমা য়েংবগুম নুংঙাইহল্লি অপাবশিংবু। অদুবু অইবনা হৈনা-শিংনা মঙ ওলহন্দুনা লোইশিনখি। অদুনা অইবগী মায়োক্তা কনামতনা খুদোম্বী থাঙ্গৎপা ঙমহন্দে।

অদুগা অইবগী 'ওন্থোকপা লমদম' হায়বসিমদি থওইনা অপাবশিংদা নোক্নবা, নুংঙাইহন্নবা কোমিক অমগুম ইরকপা খূৎইনি। শিব মহাদেববু লমদমসিদা পুথরক্তুনা লাই অসিনা পামজবা গঙ্গা থকপা ময়াল্লক্তা তিনহন্দুনা ঙাওরকপগী ৱারীনি। মদুদা শিবনা লমদমসিদা লাই-তিন কিদবা, অতৈগা মান্নদবা লীচৎ ময়ামসি উবদা ওন্থোকপা লমদমনি হায়না শোনখিবগী থিমদা শাগৎলকপা হেক্তা নোক্লিংবা ৱারীমচানি।

অসিদা নত্তনা সাইন্স ফিক্সন অনী অমসু য়াওরি। 'নেনো' হায়বা অমগা 'উফোক্স' হায়বা অমগা। ইংরাজি লোন্দদি পাবা ফংখ্রে। নবকুমারনা ঐখোয়গীদা পুশিল্লক্লবা হোৎনবনি। অদুম ফজৈ, মালহল্লি। 'নোনে' হায়বসিদা মী য়াওদনা সাইকল অমনা লম্বীদা থৌদুনা চৎপা, থৌরিবা মী উহন্দবা ঙম্বা নেনো ফিজিক্সকী থীওরি পুশিল্লকই। ওইথোকপা ওইথোক্তবনা তোঙান্না থল্লগা ৱারীসি হেক্তা নুংঙাইহনবা ঙম্বা অসিনি নবকুমারগী মগুণ। লম্বীদা কমান্দোশিংনা শেল তানবা, পুলিসশিংনা শেলদা চোপ্পা লাক্নরকপা পাবদা নুংঙাই। অদুবু অইবনা হৈনা-শিংনা পুলিসকী মথৌ চুম্না তৌহল্লি কোন্নদি, নেনো ফিজিক্সকী লেবরেটোরি ফাজিনখি। 'উফোক্স' হায়বা অসিদনা য়ু এফ ওগী ৱা পুশিল্লকই। মালেমগী ৱাংমদা খোঙনেম কৌবা অমনা প্লানেটর অমগী মতেংনা কোয়রুবা উৎলি। অদুম নুংঙাইহল্লি। হেক ওইথোক্কদবা মালহল্লি। মোন্দ্রংনি হায়বা কাউহল্লি অপাবশিংবু

মথংদা তাইবঙগী ৱাফম খরসু নৈনরি লাইরিকসিদা। নবকুমার হ্যুমেন ভেলুজদা য়াম্না থাজজবা অইবা অমনি হায়বা উৎপা ঙম্লে। মাগী 'নুপী' অমদি 'নুপী অনী' হায়বা অসিদি য়াম্না লুবা নুপীগী সমস্যা নৈনরিবা ৱারীমচাশিংনি। নবকুমারনা হায়রি, ঙসি নুপীবু নুপানা ওৎপীরে হায়রিবসি নুপীনা নুপীবু ওৎপনা চাং হেল্লি। মনেম অমনা মমৌ অমদা খোঙথাং খুদিং য়েংশিল্লিবা অসি নুপানদি খক তৌখিদ্রি। মসিমক্তবু খঙনা খঙনা নুপী ওইবী মনেম্না নুপী ওইবী মমৌবু অদুম ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নবা চৎনরি মালেমসিদা। মসিগী লায়নাসি অইবনা করেম্নদুনা ৱারোইশিন পুরকই নর্স অমগী মতেংনা। নর্স অদুনা মনেমদু লোন্না কৌরগা য়াম্না মান্না মমৌ ওইরিবীদুনা মনেমদুগী হেক মচাদুনি, মচানুপা ওইরিদুনা মমৌগী মমা মপাগী হেক অশেংবা মচানি। পোকপদা নোংমতদা পোকমিন্নবনা লায়েংশঙদা নর্স অদুনা মানা মানা পাম্বদু থুংননবা লোন্না ওন্থোক্লখিবনি হায়রি। মদু তারুবদগী মনেমদুনা মচানুপীনি খনখিদুনা লুনা তৌখিবনি ৱারীসিদা। মসিনা উৎলি, নুপীগী ৱাখল মপূং ফাদ্রি, খন্থগদবা য়াম্না লৈরি হায়বনি। হেক্তা ফজহল্লি নবকুমারনা। অদুগা 'নুপী অনী' হায়বসিদনা মোবাইলদা পাখঙ অমগা লৈশাবী অমগা নুংশিনদুনা শামু মখোঙদা উনবা চৎপনি। অদুবু ময়াম্বনা পাখঙদুগী ছাটিন অদু মুনখিবদগী নুপীদুনা মাগী হায়নখিবা নুপাদু ওইরবোই নীংদুনা ময়াম্বদুগা ঔটোরিক্সোদা চৎমিন্নখিবা য়াম্না রিয়েলিষ্টিক ওইহল্লি। ময়াম্বদুগী লমচৎতুদা মনাও পাখঙ অদুনা পেন্দ্রদুনা মতৈমদা তম্লুবদা শাউমনখিদুনা মতৈমদুগা মনাওনুপাদুগনা চেনখ্রবা নুপা নুপী অনীদুগী নাক্তা লাক্লগা লান তৌরুবনি। মদুদা ময়াম্বদুনা থোকখ্রবদি থোকখ্রে, ইনাও নুপী ওইরমদৌবদু ঐগী ওইবা তারে, কৈসু কায়দে হায়রকপদা মতৈমদুনা খুমখিবা পাউখুম অনৌবা নুপীগী মশক অমা নবকুমারনা উৎলকপনি। মতৈমনা খুমখি, "তৌগে য়াওনা তৌখৎলক্লবদি নুপীনা নুপাদগী হেন্না ঙম্বা লৈ। ঐ নঙোন্দা পুন্সি চুপ্পা কোক খুম্নবা খোঙথাংদু থবক ওইনা পাঙথোক্লোরা?" কয়াদা ইচঙ থৌনা খুমখ্রবনো? নঙনা ননাও নুপী ওইগদবদু লৌবা ঙল্লবদি ঐসু ননাও নুপা অসিদা লৈবা ঙম্মী হায়রিবনি। মসিদি অনৌবা নুপীগী মশক্লি, ওইরকপা ওইরক্তবা হায়বদুনা অমনি। নুপানা নুপীদগী করিসু হেন্দে তাকপনি। মসিদগী হেনবা নুপীগী লিবর্টি পীবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি, 'কুন্তি' কৌবা। মসিদি অতাক অফোংনবা মশক্লি। লোন্না তৌরগনা মনিল নাইদবা, ফোংলগদি ওন্থোক্লা তুক্কচবা। অইবনা উৎলি, ঐখোয়গী খুন্নাইদা মসিগী অমোৎপা মশকসিদি লোন্না লোন্না চঙদুনা লৈখ্রে। ৱারীদি অসিনি। নুপা ওইরসু মপা অমা ওইবা ঙম্বগী শক্তি লৈত্রবা অমগা মমা ওইবা ঙল্লিবী নুপী অমগগী ৱারীনি। নুপাদুনা মাগী নুপীদু থবক্কী ৱানোম্বা থাই। মদুদা থবকসু ফংখি। অদুগা মীরোনবী অমসু ওইরকখি। মশাদা মপা ওইবা ঙম্বগী শক্তি য়াওদ্রে খঙলবা নুপা অদুনা মাগী নুপীগী মচাদু করম্না লৌশিনগনি। ফজখ্রবা য়াম্না লুবা ইসু অমা নবকুমারনা থাংদোক্লকপনি। থবক্তি পাম্বা, অঙাংবুদি লৌশিনবা ঙমদবা, মাগী নুপীবু কোয়থা থাদোক্লুরগা মদুগী মহয়দি চাবা ঙমদবা নুপাগী লুরবা সমস্যা অমনি। ফজৈ হায়নীংঙি।

য়ামখ্রে পাউদম্নিংবা। অদুবু য়াদ্রে। পন্দবা ঙমদবা অমদি নবকুমারগী 'লোক্তাক অমদি শিন্মী' হায়বা অশাংবা ৱারীমচা অসিনি। মসিদি লোক্তাক পাৎকী অরোন অথুপ লোইনা শেগায়দুনা নৈনবা ৱারীনি। শিন্মী অমনা লোক্তাক পাৎকী মপান্না কদায়ফাওবা নুংঙাইবা, অদুবু মতমসিগী থৌদোক ৱাথোক কয়ানা পাৎসিদা চঙলকপনা শিন্মী পূম্বা কোক্তা খূৎ হাপ্পগী ফিভম লাকপা ফজনা উৎপা ঙম্লে হায়নীংঙি। মশাগী মরাল নত্তনা শিন্মী থোইবনা য়াম্না নুংঙাইরম্বদগী লৈখা তারকপা ওন্থোক্লা মীনুংশি পোকই। নবকুমারগী প্লোট শেম্বা হৈবনা অমগা অমগা লৌশিন্নরক্তুনা মমৈদা থোইবখোয়গী লন-থুম ফুমশঙদগী সিফাইনা ফাখিবদু ফংদুনা নুংঙাইবা ওইরকই । অদুবু নুংঙাইবা মিৎকুপ অদুদা থোইবদি মোব জষ্টিসতা মকোক কায়বদগী অরোইবা শ্বর হোনখি। অইবনা হায়রি, থোইবা শিফম থোক্তবদা হাৎপীখ্রবনি খুন্নাইনা। ৱারীমচাসি মপূং ফারবা অমগী মশক উই। নবকুমারগী মথঙগী ৱারীমচাশিং ঙাইদুনতা লৈরি।

# লাই ফদিবিগী কুম্মৈদা

**লাপ্লা** নিল্লম্বা কাং চিংবগী পুং ঝানগী মখোলসু তপ্পা তপ্পা তাখিদরে। নুমিৎ অমসুং নুমিৎকী লংলবা মঙালসু কয়াদা থুনা নোংচুপ চীংদোলগী চীংশাং পরেংনা লৈরোল চনশিনখ্রবা! য়াচঙবগী য়াথং অমদা শকখঙদবা কনানো অমনা উচেক ৱায়াশিংগী মচিন মেনখ্রে। অচীকপগী কুয়োম অমনা থানা য়োমশিনখ্রে।

"হন্দদি হল্লকখিসনুকো, খঙনি, মতুং মনাও অমুক হন্না চৎতনবা মনম তৎনবা ফুদদি ফুগে, খরা কিহন্দবা য়ারোইদৌরি।"

চাকখুমদা চাক থোংলিবী ইবেমহলনা লৈশাবী মপূং ফারবী অমদা ঙাঙবদৌনা ঙসাইদগী ঙাঙলিবদু মাগী পীশক পীক্লিবী মচানুপী বেম্মবুনি। ঙাইহাক অমুক তুমিন্না লৈ, অদুবু মপূক্লিংদা লৈবদু অমুক হেক্তা ঙাঙবা হৌরকই। মশা মতোমদনি মানা ঙাঙলিবা ময়ামদু।

"নোংনগা চুবনে চৎখিনুকো চৎখিনুকো হায়রম হায়রমনা চৎখ্রিবনি, মতিক মপাদি হেক ইচা চাদনা..."

ইবেমহলনা দুকান্দগী হৱাই চেঙৱাই খরদং লৈরুগেনা হোবে হোবে ঙাইহাক্তং চৎলিঙৈদা য়ূমলোন্নবগী অঙাংশিংগা মচানুপী অপীকপীদু স্বাই হেক্তা মাঙলল্লিবনি। ইবেমহলনা দুকান্দগী হল্লকপদদি ফি রোলগী উপুক্কাদু শেবাক ফাক্তুনা লোইরল্লে, ময়েক নাইবা মচা, রেশম ফুরিৎ মচা, ইন্নফি মচা উপুদা লৈরমদরে। চন্দোল লুবাক্তুসু লময়ায়দা তাদুনা লৈরল্লে। চন্দোলজৈনা কাঙখদা, চন্দোল মচেৎ অদুনা কাংথোল মখোঙদা, চীম্বাল তৈনবা লিপষ্টিক অদুনা ফমুং মথক্তা পুমচাই চাইথোক্তুনা লৈরল্লে।

কাং চিংবগী পুং ঝানগী মখোল লেপখ্রবা মতুং ফনা কুইনা কান্নরবফাওবদা হল্লকক্রদ্রা হল্লকক্রদ্রা খল্লম্বী মচানুপীনা য়ূমদা ইহন হল্লক্তুবদা ইবেমহলদু অমুক্কা হেন্না খোয়রাং খোয়শাউনখ্রে। ইঙেনগী নোং মবুক ইশেং শেংদ্রি হৌজিকসু অসুম পারপ্পা চুরি, মাগী য়াচঙবগী কুম্মৈ মপূং ফানা লোইদ্রি। মচাদো মাঙলমগনি খোৎলমগনি হায়বগী পাখৎচবগী নৎতে। হৈমন শীংমনবগা হল্লকমন্দবগা পাবা অদুদনি মানা ঙসাইদগী শিক শিক্তুনা ঙাঙলিবা ময়ামসে। চৎমিন্নরিবা মখোয় অদুসুনি ইবেমহলনা য়াম্না ৱা হায়নীংলিসে। মচিন্দা করিনো শোনবদি লেপ্পে। মচানুপীবু লৌবিরুরগে হায়না অমুক খল্লক্লি।

কাং চিংবা চৎকনি চৎকনি হায়দনদা লৈরকপনি। কনানা মঙোন্দা কাংগী ৱা হায়দনবু অসুক পীক্লিবী মানা খঙলিবনো খঙদে।

য়ূমলোন্নবগী অঙাংশিংদু ইবেমহলনা য়েনখাদা লেপ্লদুনা কৌদুনা হংই। বেম্মদি বামোন মান্দপতা অৱাংগী মপূ থোকপা অহল অমগা লৈথরগা কপ্লগা লৈহৌরে লাকউগা শুকয়া য়াহৌদে হায়না শাউনা য়ূমলোন্নবগী অঙাং অমনা তম্মকই। ইবেমহল মচিন্দা শোল্লি মসি অঙাংসি ফুন্দদি ফুগেকো ঙসিদি। নৎতে চৎমিন্নখিবা মচেশিংসিগা হল্লক্তদনা মমিৎফাও কাক্ত্রিবা মানা অমুক্তসু হরাউ হরাউ কৌনবা তাদ্রিবা হনুবদুগা অমুক ইকোয় কোয়নদনা লৈথহৌদুনা তৌরিসিবু ওন্থোক্লা ঙকখ্রেদকো মসিগী অঙাংসে হয়েং লৈশাবীকা ফারবদি কমদৌনি সিদি হায়না মথন্তা হায়জৈ। ইবেমহল মচিন্দা অমুকসু শোল্লি মসি অঙাংসি ফুন্দদি ফুগেকো ঙসিদি শোল্লি।

ঙাঙনা ঙাঙনা লালটেন চুখৎলি। ছাটিন অনীসু থিরুরে। ফি মতেক অমা ফিয়ানখোক্তগী লৌদুনা ইনশিল্লি। ফমুং মপামক্তদা য়ুরিবা নোংগী অহোবা মখুল অমা ঙসাইদগী মেনশিনবা লাক্ন রিবা অচৌবগী মনাক্তা চঙলক্লগা হায়রে,

'লোইরবরা অপীকপীদু অমুক্তা লৌবিরুসি।'

'হোই লোইরে। লৌমিন্নরুরসি।'

'চৎখিবগা উহৌ লাকহৌদে, হে শিংদৌরিবা অঙাংনি, নচানুপীদু কাং চিংফমদা লৈহৌই হায়দনা ইনে ললিতানা ঙসাইদা হায়রম্বনি। হৌজিক্লা বামোন মান্দবতা লৈহৌরে হায়রি।'

'নহাকসু অঙাংনা চৎনীংই হায়রবদি কোক ঙাইহাক্তং চৎমিন্নরুবা য়াবনি।'

'অমুক্তং কিনবা ফুরগা অকিবা খঙহনগদবনি, মসি লাই য়ৌদৌরিবনিকো থাজৌ, য়েংউদনা ময়ূমগসু থুনা পানে দীরিজাৎনি। ঙসিখক্তা নত্তে মানা তৌরিসে। লৈকায় কোয়বা য়াম্না পামদৌরি।'

'নঙ লৌদনা, ফু ফুকো ঙসিদি।'

'ফুদৌরিবনি।'

মবানীমক ছাটিন অমমম পায়রদুনা মাঙ্গোলদা থোরল্লুগা ঙাইহাক নোংগী মওং য়েংদুনা লেপ্পি। লালটেন অদু নোংলিক চোংদনবা য়াল্লদুনা মাঙ্গোলদা নোংগী মওং য়েংলি। চুরিদা কুমথগে তৌরকপা মীকুপ্তা পুন্মম মল্লবা থোঙ্গাললোমদা নুপীমচা অমগা বেম্মগা ৱারী শানবগী খোঞ্জেল তারকই।

'ববাখোয়সু মাঙ্গোলদা লৈবা উরে তু, চেচেখোয় নোংসু চুরে চঙলক্লরোই, চৎলগেকো বেম্মা, হয়েং কোন্না লাক্লগেকো বেম্মা বাই বাই।'

'নেনে বাই বাই।'

থোঙ্গালদগী তারক্লিবা অপীকপা খোঞ্জেল অদু বেম্মগী খোঞ্জেলনি খঙলবদা ইবেমহলনা হায়রকই

'মসিগী অঙাং অসি ফুন্দনদি তোক্লোইকো ঐ ঙসিদি হুং।'

লৈখোম চবীৎ চবীৎ থোক্লবা অমম্বা থোঙ্গালগী লম্বীদা চেনা পন্দনা কনাবুসু ঙাইবা তৌদনা পীক্লবা খোঙপাকশিংনা কুপথাং থাংবগী মখোল তারি। ইবেমহল লালটেন অদু পায়রদুনা শুমাংদা কুমথরদুনা বেম্মবু ওকপা প্রপ প্রপ থোকই। শুমাঙগী মচি অমদা লেপ্লরি অঙাংদু। মশম মনা পূম্বা নোংলিকশিংনা ইচোৎ চোৎলিবী, নোংজুমনা মায়থোংদা মরী মরী চেন্থরিবী তনৌরবী মায়থোং মচা অমা। মচাবু মখূৎ খুদাং চেজেৎনা পায়রগা মাঙ্গোল তম্না পুশিল্লি।

মাঙ্গোলদা লেপ্লি বেম্মা। রেশম ফুরিৎ অমা, কোক্লি কোক্লি তৌরবা মশানা থিনজবা চন্দোন, ফনেকমচা অমা, ইন্নফি অমা, সেন্দল জুরা অমা, অঙাঙবা মচুনা মশানা ওন্থোক্লা হৈনা অঙাং মতিক নত্তনা মশানা শঙজবা চীম্বাল অমদি খজাই ... কয়াদি ফজনা হেক মাল্লে ফিনা শাবী চঙখোল্লবী লাইধীবি মচা অমা ইবেমহলগী মমিৎতা। মখূৎ য়েৎতনা কিহোম অমা, মখূৎ ওইদনা চুজাক অমা। বেম্মদো মখূৎ অনীদু অমমমতা ওইনা ৱাংনা থাঙ্গৎলগা অঙাং ওইবগী শেংফাত্তবা খোঞ্জেলদা হায়রকই,

'কিহোমসিনা ববাগীনি অদুগা চুজাকসিনা মমাগীনি।'

মচাবু ইবেমহলনা খঙহৌদনা চেজেৎ কোনশিল্লি। ঈংলবা মখজাই নাকল অনীদুদা ওন্না ওন্না হঞ্জিন হঞ্জিন চুপ্পী। মচাগী মায়থোংদা চোৎলগা পুল্লপ পুল্লপ তারিবা মশমমশিং অদু লোইরোইননা তপ্না তপ্না হাইগৎপীরে, মচাগী মায়থোং মপূং ফানা উরে। তরু তরুবা মমিৎ মচা অনীদুদা ঙাইহাক ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা য়েংলগা ইবেমহলনা হায়রকই,

'নঙবু অসুক ফজনা কেবা হৈরব্রনে? অসুম্না চানবা ফিজোলদি কনানা নঙোন্দা শেৎপা তম্বীবগে?'

মপী তৈথোকই ইবেমহল। অচৌবনা হায়রকই, 'ইবেমহল, বেম্মসে নহাক্না ফুনি হায়বদো ফুরোদনা?'

ইবেমহল বেম্মগী মতৌ উরুবদা ঙসাইমখৈ শাউরম্বা পূম্বা পুমকাউ কাউখিবগুম্না তৌরে।

*- য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার*